# দিফেন্দিং চেম্পিয়ন নোভাক জোকোভিচ ৱিমব্লেদন চেম্পিয়নশিপ্তগী মপান থোকখ্রে



লন্দন, জুলাই ০৩ :
অনীরক দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওইখ্রবা নোভাক জোকোভিচনা মফম অসিদা চথরিবা ৱিমব্লেদন চেম্পিয়নশিপকী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা বিগ-সার্ভিং সাম ক্বেরিগী মখূৎতা মায়থীহৌখিবগা লোয়ননা চহী ৪৭ কী মনুংদা অহানবা ওইনা কেলেন্দরগী গ্রান্দ স্লাম লৌনবা মিৎয়েং থমদুনা চঙশিল্লকখিবা অদু কায়খ্রে।

ৱর্ল্ড নম্বর ৱান অসিনা কুমজা ২০০৯ গী ফ্রেঞ্চ ওপনদা মায়থীহৌখিবা অদুদগী হন্দক্কী গ্রান্দ স্লামদা মায়থীখিবা অসিনা অহানবা ওইরে।

জোকোভিচনা অহুমশুবা রাউন্দদা সাম ক্বেরিগী মখূৎতা ৭-৬ (৮/৬), ৬-১, ৩-৬, ৭-৬ (৭/৫) তা মায়থীহৌখিদুনা জোকোভিচকী ওপন ইরাদা থংনা থংননা ৩০ রক শুবা ওইনা মায় পাক্না চঙশিল্লকখিবা অদু লোইশিনখি।

নোভাক জোকোভিচনা হায়খি, সামনা মেচ অদু নীংথিনা থমখি। মহাক্কী গেম অদু শাথিবা অমা ওইখি অমদি ঐবু লাকহৎতুনা শান্নখি। ঐহাক ফিটনেস ১০০ দা ১০০ ওইখিদে। অদুবু মসিগী মতাংদা মফম অসিদা ফোঙদোকপগী মথৌ তাদে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গল মেচ অমদা ৱর্ল্ড নম্বর টু এন্দি মরেনা ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন মিলমেনবু ৬-৩, ৭-৫, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা মথংগী রাউন্দ চঙখি।

মেচ অদুদা মরেনা অনীশুবা সেটতা টাই ব্রেক তাদুনা শান্নখি। মদুদা জোন মিলমেনবু ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখি। অহানবা অমদি অনীশুবা সেট অনীদি মহাক্না য়াম্না লায়না মায় পাকখি।

মঙাশুবা সীদেদ কৈ নিসিকোরিনা এন্দ্রি কুজনেটসোভপু ৭-৫, ৬-৩, ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট সিক্সটিনগী খুমাঙ চাউশিনখি। নম্বর ৯ সীদেদ মার্টিন সিলিকনা লুকাস লাটকোবু ৬-৩, ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখিবনি।

নুপীগী সিঙ্গলস মেচতা সিমোনা হালেপনা দটচকী শাথিরবী নুপী কিকি বার্টেনসপু ৬-৪, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা মরিশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী নুপাগী দবলসতা রোহন বোপান্না অমদি মহাক্কী জুরা রোমানিয়াগী ফ্লোরিন মার্গিনা অকনবা নোং চুখিবা মরক অদুদা শান্নখিবা মেচতা এন্দ্রেজ মার্টিন অমদি হান্স পুদলিপনিক কাষ্টিল্লোবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীদুনা প্রী ক্বার্টর ফাইনেলগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি।

তরুকশুবা সীদেদ ইন্দো-রোমানিয়নগী জুরা অসিনা এন্দ্রেজ মার্টিন অমদি হান্স পুদলিপনিক কাষ্টিল্লোবু ৭-৫, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি। বোপান্নানা লীএন্দর পেসকা মথংগী মেচতা মায়োক্নরবা য়ানা লৈখ্রে।

অতোপ্পা নুপীগী মেচ অমদা ইন্দিয়াগী এস সানিয়া মিরজা অমদি মহাক্কী স্বিসকী জুরা মার্টিনা হিঙ্গিসনা থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা মায় পাকখিদুনা মখোয়গী কেম্পেন মখা তানা চঙশিনবা হৌখ্রে।

টোপ সীদকী জুরা অসিনা পুং ১ মিনিট ২৪ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা জর্মনগী অনা-লেনা ফ্রাইদসাম অমদি লৌরা সিজমুনবু ৬-২, ৭-৫ দা মায়থীবা পীখি।

মখোয়না মথংগী রাউন্দদা জপানিজগী জুরা ইরি হোজুমি অমদি মিয়ু কাটোগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। ইরি হোজুমি অমদি মিয়ু কাটোনা জর্মনগী মোনা বার্থেল অমদি চাইনিজ টাইপৈগী চিয়া জুং চুংবু অহানবা রাউন্দদা মায়থীবা পীখিবনি।

অমরোমদা, জুঅন মার্টিন দেল পোট্রোনা মফম অসিদা চথরিবা ৱিমব্লেদন চেম্পিয়নশিপকী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা শিঙ্গলস মেচকী অনীশুবা রাউন্দদা স্বিসকী মরিশুবা সীদ ষ্টান ৱারিঙ্কাবু ৩-৬, ৬-৩, ৭-৬ (৭/২), ৬-৩ দা মায়থীবা পীখিবনি।

অর্জেন্টিনাগী ৱর্ল্ড নম্বর ১৬৫ দা লৈরিবা অসিনা কুমজা ২০১৩ গী সেমী ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখি। মহাক্না মথংগী মেচতা ফ্রেঞ্চকী ৩৩ শুবা সীদ লুকাস পৌল্লে নৎত্রগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী দোনাল্ড য়ং অনীগী মরক্তা অমগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

দেল পোট্রোনা মহাক্কী খুদাংদা অহুন্নক সর্জরি তৌখ্রবা মতুং কুমজা ২০১৪ গী ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা অহুমলক সর্জরি তৌখ্রবা মতুং কুমজা ২০১৪ গী ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন্দা শরুক য়াখিবা অদুদগী হন্দক ৱিমব্লেদন্দা শরুক য়ারিবা অসিনা মহাক্কী অহানবা মেজর টুর্নামেন্টদা শরুক য়াবা ওইরি।

মশাগী চহী ২৭ শুরবা অমদি কুমজা ২০০৯ গী য়ু এস ওপনগী চেম্পিয়ন দেল পোট্রোনা হায়খি, মসি অঙকপা অমনি, মসি পূক্লিং থুক লাওবা ফাওবনি হায়খি।

# অনু রানিনা নেসনল রেকোর্দ থমখ্রবসু রিও ওলেম্পিক্কী ক্বালিফাই ওইবদি ঙমখিদ্রে



হায়দ্রবাদ, জুলাই ০৩ :
উত্তর প্রদেশকী অনু রানিনা মফম অসিগী জি এম সি বালায়োগী ষ্টেদিয়মদা চথরিবা নেসনল ইন্টর ষ্টেট এথলেটিক্স মিটকী থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নুপীগী জেব্লিনদা মিটর ৫৯.৮৭ শান্না লংদুনা নেসনল রেকোর্দ থমখিবগা লোয়ননা ওলেম্পিক্কী ক্বালিফায়িং মার্ক ওইরিবা মিটর ৬২ য়ৌবা ঙমখিদবদগী ক্বালিফাই ওইবা ঙমদনা নীংবা কায়না লৈহৌখি।

মশাগী চহী ২২ শুরবা অনু রানিনা মহাক্না মমাঙদা মিটর ৫৮.৮৩ থমখিবা রেকোর্দ অদু থুগাইখি।

এসিয়ন গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট অসিনা হায়খি, ঐগী অহানবা পান্দমদি রিও ওলেম্পিক্কীদমক ক্বালিফাই ওইবনি। অদুবু ঐনা ওলেম্পিক্কী ক্বালিফায়িং মার্ক য়ৌবা ঙমখিদে। অদুমকপু ঐনা নেসনল রেকোর্দ থম্বগীদমক্তদি চাওথোকচবা পোকই হায়খি।

অনু রানিনা মরিরক হন্না এটেম্প তৌবদা নেসনল রেকোর্দ অদু থম্বা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা নুপাগা মিটর ২০০ গী ফাইনেলদা নেসনল রেকোর্দ থমখিবা ধরমবির সিংহনা ২০.৯০ সেকেন্দ চেন্দুনা গোল্ড মেদল লৌখি। ওলেম্পিক্কী ক্বালিফায়িং মার্কনা ২০.৫০ সেকেন্দ ওইরি।

মহাক্না হায়খি, ঐনা ওলেম্পিক্কীদমক ক্বালিফাই ওইনা অকনবা মওংদা হোৎনখি অদুবু মায় পাকপদি ঙমখিদে। ধরমবিরনা অরোইবা ক্বালিফায়িংগী খুদোংচাবা লৌবা ওইনা থাইলেন্দদা পাঙথোক্কদবা এথলেটিক্স মিটতা শরুক য়ানবা মিৎয়েং থমখ্রে।

নুপীগী জেবলিন থ্রোদা য়ু পিগী সুমন দেবীনা মিটর ৫৫.৮৮ লংদুনা সেকেন্দ তাখি অদুগা হরিয়ানাগী সর্মিলা কুমারিনা মিটর ৫৩.৮০ লংদুনা অহুমশুবা তাখি।

হায়জম্পতা কর্ণাটাকাগী সাহানা কুমারিনা মিটর ১.৭৯ চোংদুনা ফার্ষ্ট, কেরলাগী এঞ্জেল পি দেবাসিয়ানা মিটর ১.৭৩ চোংদুনা সেকেন্দ অমদি টামিল নাদুগী বিনোথানা মিটর ১.৬০ চোংদুনা থার্দ তাখি।

মিটর ১৫০০ গী লমজেলদা টামিল নাদুগী গোমতিনা ৪:২২.৪২ সেকেন্দ চেন্দুনা অহানবা, কেরলাগী ঈ য়ু চিত্রানা ৪:২৪.৪৭ সেকেন্দ চেন্দুনা অনীশুবা অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সুঙ্গন্দা কুমারিনা ৪:২৫.৫৪ সেকেন্দ চেন্দুনা অহুমশুবা তাখি।

মিটর ২০০ গী লমজেলদা গুজরাটকী ভি এস শান্তিনিনা ২৩.৮৮ সেকেন্দ চেন্দুনা ফার্ষ্ট, টামিল নাদুগী রিনা জোজনা ২৪.২৫ সেকেন্দ চেন্দুনা সেকেন্দ অমসুং টামিল নাদুগী অর্চিনানা ২৪.৭৪ সেকেন্দ চেন্দুনা অহুমশুবা তাখি।

মিটর লিশিং ৫ গী লমজেলদা টামিল নাদুগী এল সুরিয়ানা ১৫:৫৯.৬০ সেকেন্দ চেন্দুনা অহানবা, মহারাষ্ট্রগী স্বাটি গদাবেনা ১৬:০৮.০৩ সেকেন্দ চেন্দুনা অনীশুবা অমসুং মহারাষ্ট্রগী সঞ্জবানি যাদবনা ১৬:৪৭.৮০ সেকেন্দ চেন্দুনা অহুমশুবা তাখি।

নুপাগী মিটর ২০০ গী লমজেলদা হরিয়ানাগী ধরমবির সিংহনা ২০.৯০ সেকেন্দ চেন্দুনা ফার্ষ্ট, হরিয়ানাগী সঞ্জিৎনা ২১.০৪ সেকেন্দ চেন্দুনা সেকেন্দ অমদি টামিল নাদুগী মনিকান্দা অরুননা ২১.৬৯ সেকেন্দ চেন্দুনা থার্দ তাখি।

# রসিয়াগী লিদিয়া গ্রিগোরয়েভাবু দোপিংগী মরালদা অথিংবা থমখ্রে

ন্যু দেল্লি, জুলাই ০৩ :
মমাঙগী বোষ্টোন মরাথোনগী ৱিন্নর রসিয়াগী লিদিয়া গ্রিগোরয়েভাবু দোপ্পিং মরালদা ইন্টরনেসনেল এসোসিএশন ওফ এথলেটিক্স ফেদরেসন (আই এ এ এফ) না চহী অনী মখায়গী অথিংবা থমখ্রে।

মশাগী চহী ৪২ শুরবী অমদি কুমজা ২০০৭ কী বোষ্টোন মরাথোন অমসুং কুমজা ২০০৮ গী চিকাগো মরাথোনগী ৱিন্নর ওইরিবী লিদিয়া গ্রিগোরয়েভাবু বাইওলোজিকেল পাসপোর্ট প্রোগ্রামগী মখাদা অথিংবা থম্বনি হায়না ইন্টরনেসনেল এসোসিএশন ওফ এথলেটিক্স ফেদরেসন (আই এ এ এফ) না ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০০৬ তা পাঙথোকখিবা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়নশিপ্তা মিটর ১০,০০০ গী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট ওইখিবী লিদিয়া গ্রিগোরয়েভানা মহাক্কী অথিংবনা মরম ওইদুনা মেজর টাইটল নৎত্রগা মেদল অমত্তা আই এ এ এফনা মৎতা তৌরোই হায়রি।

চৈরক অসিদা রসিয়াগী অতোপ্পা লোং দিষ্টেন্স রন্নর অলয়োনা কুদাশকিনাবু ইন্টরনেসনেল এসোসিএশন ওফ এথলেটিক্স ফেদরেসন (আই এ এ এফ) না চহী অনী মখায়গী অথিংবা থমখি। অলয়োনা কুদাশকিনা রেস ৱাল্কিদা দোপিং কেস ২৫ হেন্না চেন্নরিবা রসিয়াগী কোচ ভিক্তর চেগিনগী মখাদা হান্না ত্রেনিং তৌরমখি। মহাকসু দোপিং কেসকা মরী লৈননা অথিংবা থমখিবনি।

ইন্টরনেসনেল এসোসিএশন ওফ এথলেটিক্স ফেদরেসন (আই এ এ এফ) না হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা লাউথোকখিবা অথিংবা থমখ্রবা লিষ্ট অদুদা মোরোকোগী মিদল দিষ্টেন্স রন্নর অমিনেলালৌ য়াওখি।

কুমজা ২০১০ দা পাঙথোকখিবা অফ্রিকান চেম্পিয়নশিপ্তা মিটর ১৫০০ গী শিলভর মেদল লৌখিবা মশাগী চহী ৩৪ শুরবা লালৌনা চহী অসিগী এপ্রিল থাদা মোরোকোগী আউট ওফ কম্পিটিশন টেষ্টতা মায় পাকখিবদগী অনীরকশুবা ওইনা দোপিংগী রুল থুগাইনবগীদমক চহী নিপানগী অথিংবা থমখি। লালৌনা কুমজা ২০১২-১৪ দা চহী অনীগী অথিংবা মায়োক্নখ্রবা মতুং মহাক্কী মথক্তা থল্লিবা অনৌবা অথিংবা অসি কুমজা ২০২৪ গী মে থা ফাওবা চৎনগনি।

# ইন্দিয়া অমসুং অর্জেন্টিনানা লৈবাক তরুক্কী টুর্নামেন্টতা দ্রো চৎখ্রে, অরোইবা গেমদা স্পেনগা মায়োক্নরগনি



ভেলেন্সিয়া, জুলাই ০৩ :
ইন্দিয়াগী নুপা হোকি টিমনা মফম অসিদা চথরিবা সিক্স নেসন্স ইনভাইটেসনল টুর্নামেন্টকী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা রাউন্দ রোবিন মেচতা অর্জেন্টিনাগা ৩-৩ দা দ্রো চৎখ্রে।

মেচ অদু অহানবদা টিম অনীনা য়াম্না তপ্না শান্নবা হৌরকখি। অদুবু অর্জেন্টিনানা অহানবা ক্বার্টর অদুদা বোল পায়বগী চাং হেনখিবনা ইন্দিয়াবু লাকশিন্দুনা শান্নখি। মখোয়না ইন্দিয়াগী দিফেন্স থুগায়দুনা গোল চন্নবা হোৎনরকখি। অহানবা ক্বার্টর লোইগদবা সেকেন্দ ফবাৎত্রবা মতমদা মাটিয়াস পারেদেসনা ইন্দিয়াগী নেটতা বোল অমা কনশিনখিদুনা গোল ওন্থোক্তুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। অর্জেন্টিনানা গোল চনখিবা হেক মতুং ইন্দিয়ানা মায়োক্নখিবা টিমগী মায়কৈদা এটেকশিং তৌদুনা চঙশিনখি। মেচ অদুগী মিনিট ১৬ চৎপা মতমদা ইন্দিয়াগী ষ্ট্রোক অমা রেফ্রিনা পীখি। মদুদা রুপিন্দর পাল সিংহনা অশোয়বা অমত্তা য়াওদনা গোল ওন্থোকখিদুনা ১-১ দা চাং মান্নরা চৎখি।

অদুম ওইনমক অর্জেন্টিনানা অথুবা মতমদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা চঙশিনখিবা কাউন্টর এটেক্তা ফংখিবা পেনালটি কোর্নর অমদা গোঞ্জালো পৈল্লাটনা গোল অমা চনখি অমদি লুকাস ভিলানা ফিল্ড গোল অমগা চনশিন্দুনা হাফ টাইম ফাওবদা ৩-১ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা ইন্দিয়ানা মমাঙ হাফতা শান্নখিবা অদুদগী হেন্না মতিং লৈনা শান্নরকখি। মখোয়না মেচ অদুগী মিদ ফিল্ডদা কন্ট্রোল তৌনা শান্নরকখি অমদি অর্জেন্টিনাবু সেন্টরদা চেনখৎতুনা শান্নহনখিদে।

মেচকী অহুমশুবা ক্বার্টরগী অরোইবা মিনিটতা ইন্দিয়াগী অহানবা পেনালটি কোর্নর অমা ফংখি। মদুদা রুপিন্দর পাল সিংহনা কনশিনখিবদা অর্জেন্টিনাগী গোল কিপরনা সেভ তৌখিদুনা গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে।

অরোইবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়ানা মেচ অদু কন্ট্রোল তৌনা শান্নরকখি অমদি ওপোনেন্টকী মায়কৈদা অকনবা এটেক তৌখিদুনা অর্জেন্টিনাগী প্লেয়রশিংদা লৈতাহনখিদে।

ইন্দিয়ানা হনবা লৈতনা চঙশিনখিবা এটেক্তা দানিস মুজটাবানা পীখিবা পাস অমা রমন্দিপনা ওক্লগা অর্জেন্টিনাগী গোল পোষ্ট মনুংদা কনশিনখিদুনা গোল ওন্থোকখি। মখা তানা ইন্দিয়াগী রমন্দিপ, সুনিল অমদি অকাসদিপনা চঙশিনখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৫৭ চৎপা মতমদা দেভিন্দরনা গোল অমগা চনশিন্দুনা গোল ৩-৩ দা চাং মান্ননা লৈখি। গোল হেক চনখিবা মিনিট অমগী মতুংদা অর্জেন্টিনাগী পেনালটি কোর্নর অমা ফংখিবদা শ্রীজেসনা গোল চলহনখিদে।

ইন্দিয়ানা মখোয়গী অরোইবা গেমদা স্পেনগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

# ওষ্ট্রেলিয়াগী কেট কেম্পবেলনা রিও ওলেম্পিক্সতা গোল্ড মেদল লৌননবা মিৎয়েং থল্লি




ব্রিসবেন, জুলাই ০৩ :
ওষ্ট্রেলিয়াগী কেট কেম্পবেলনা মফম অসিদা চথরিবা ব্রিসবেন গ্রান্দ প্রীগী থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকখিবা মিটর ১০০ গী ফ্রি ষ্টাইল ইভেন্টতা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থুগায়খিবগা লোয়ননা রিও ওলেম্পিক্সতা লম্বানগদবা মহাক্কী ওপোনেন্টশিংদা লৈতাহন্দবা হায়বদু ওইহনখ্রে।

মশাগী চহী ২৪ শুরবী কেট কেম্পবেলনা মিটর ১০০ গী ফ্রিষ্টাইল ইভেন্টতা ৫২.০৬ সেকেন্দ য়াংনা লোইদুনা অনৌবা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থমখি। মহাক্না চহী তরেৎকী মমাঙদা জর্মনগী স্বিম্মর ব্রিটা ষ্টেফননা ৫২.০৭ সেকেন্দ লোইদুনা থমখিবা রেকোর্দ অদু থুগায়দুনা অনৌবা রেকোর্দ থমখিবনি।

কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্সতা রিলেগী গোল্ড মেদল লৌখিবী স্বিম্মর অসিনা মহাক্কী হান্নগী পার্সনেল বেষ্ট ওইরিবা ৫২.৩৩ সেকেন্দ অদু তুংওইনরম্লগা অহানবা ওইনা ওষ্ট্রেলিয়ন অমনা ইন্দিভিজুয়েল ৱর্ল্ড রেকোর্দকী মপু ওইবা ঙমখি।

অনৌবা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থমখ্রবা মতুং কেট কেম্পবেলনা হায়খি, ঐনা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙমগনি হায়বসি ইশাদা থাজবা লৈখিদে অমদি হৌজিকসু থাজবা পোক্তে। হৌখিবা চহী অহুমরোমগী মমাঙদগী মীওই কয়ানা ঐঙোন্দা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থুগায়বা ঙমগনি হায়না হংদুনা লাকখিবনি। অদুবু হৌজিক্তি ৱাহং অদু অমুক হন্না লাক্লরোই হায়না থাজে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

কেম্পবেলনা হৌখিবা চহী খরা অসিদা মশাগী অশোকপনা মরম ওইদুনা শান্নবদা অকায়বা পীদুনা লাকখ্রবসু শিংনবা অমগা লোয়ননা হোৎনরকখিবনা হৌজিক্তি মালেমগী মশক থোকপা স্বিম্মর অমা ওইরবী কেম্পবেলনা ওগষ্ট ৫ দগী ২১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্সতা গোল্ড মেদল লৌনবা অশানবা মিৎয়েং থল্লি।

# সেক্স ৱার্করগী অঙাংশিংনা দেনমার্কতা চৎতুনা ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারুগদৌরি



কোলকটা, জুলাই ০৩ :
সেক্স ৱার্করশিংগী মচাশিংনা শেম্বা মেম্বর ১৬ না শাবা টিম অমনা দেনমার্কতা চৎতুনা ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারুগদৌরি।

দরবার স্পোর্টস একাদেমিনা চলাইবা সেক্স ৱার্করশিংগী কোওপরেটিব দরবার মহিলা সমানে কম্মিটিনা হৈথোই শিংথোইরবা মেম্বর ১৬ খনগৎতুনা দানা কপ্তা শরুক য়ারুগদবনি। টুর্নামেন্ট অসি মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা ফুটবোল কম্পিটিসন অমা ওইরিবনি। কম্পিটিশন অসি চহী খুদিংগী জুলাই থাগী অরোইবা শরুক্তা হজোরিংগী নোর্থ জুটলেন্দ টাউন্দা পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

টুর্নামেন্ট অসি অহানবা ওইনা কুমজা ১৯৮২ দা পাঙথোকখি অমদি কুমজা ২০০৬ তা টুর্নামেন্ট অসিগী ২৫ শুবা এনিভর্সরি সেলেব্রেসন পাঙথোকখি।

অঙাংশিংনা টুর্নামেন্টতা শরুক য়াবা চৎকদৌরিবা অসিদা চাউরবা ফন্দগী শেনফম পুথোক্কদৌরি। কম্মিটি অসিনসু মমাঙগী ফুটবোল দিপেন্দবিসৱাস অমদি মেহটাব হোসেন য়াওবা চেরিটেবল প্রোগ্রাম অমসু শিন্দুনা পাঙথোকখি। মশক নাইরবা শৈশকপা শৈশকপী সোমলাটা অচারয়া, রুপাম ইস্লাম অমদি শিধুসু ঈশৈশিং শকখি।

ইন্দিয়াগী সেক্স ৱার্কর মচাশিংবু চেবাউ পীরক্তুনা ইন্টরনেসনেল য়ুথ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়ানবা হায়রকপা অসি অহানবা ওইবদা নত্তনা ইন্দিয়ন স্পোর্টসকী পুৱারীসু ওইরে।

সেক্স ৱার্কর টিমগা মরী লৈনবা মীওই বিস্বাজিৎ মজুমদারনা হায়খি, ঐখোয়না জুলাই ২১ দা দেনমার্ককীদমক খোঙশানগনি। টুর্নামেন্ট অসিনা জুলাই ২৫ দগী চথবা হৌরগা জুলাই ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না ফোঙদোকখি।

ঐখোয়না হান্না আশা তৌরুবদগী তাথনা স্পোন্সর খরা ফংলে। অদুবু ঐখোয়না অহেনবা স্পোন্সর ফংনবা হোৎনরি। টিম অসি মেম্বর ১৬ না শাবনি। মসিদা কোচ অমা, মেনেজর অমা অমদি ওফিসল অনী য়াওরি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ইটালিগী জ্যানলুকা জাম্ব্রোটানা আই এস এলগী ফ্রেঞ্চাইজ ওইরিবা দেল্লি দাইনামোসকী হেদ কোচ ওইনা থৌ পুরগনি




ন্যু দেল্লি, জুলাই ০৩ :ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০০৬ কী চেম্পিয়ন্স ওইখিবা ইটালি টিমদা য়াওখিবা দিফেন্দর জ্যানলুকা জাম্ব্রোটানা ইন্দিয়ন সুপর লীগ (আই এস এল) কী ক্লব অমা ওইরিবা দেল্লি দাইনামোসকী হেদ কোচ ওইনা থৌ পুরগনি।

মশাগী চহী ৩৯ শুরবা রাইট দিফেন্দর অসিনা আই এস এল অহুমশুবা সিজনগী মাঙওইননা দেল্লি দাইনামোসকীদমক ব্রাজিলগী লেজেন্দ রোবার্টো কার্লোসকী মহুৎ শিল্লগনি।

মালেমগী মমিং লৈরবা ৱিংবেকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা জ্যানলুকা জাম্ব্রোটানা মহাক্কী শান্নরিঙৈ মনুংদা জুভেন্টস, এ সি মিলন অমদি এফ সি বার্সেলোনাগীদমক টাইটলশিং লৌখি। স্বিসকী ক্লব অমা ওইরিবা এফ সি চিয়াসোদা চহী অনী কোচ ওইনা থৌ পুরিঙৈ টিম ১০ না শরু কয়াদুনা পাঙথোকখিবা মমাঙ চহীগী স্বিস চেলেঞ্জ লীগতা এফ সি চিয়াসোবু তরেৎশুবা মফমদা পুখৎলমখি।

ইটালিগী মমিং লৈরবা ভেটরান অসিনা দেল্লি দাইনামোসকা সেপ্টেম্বরদগী দিসেম্বর ফাওবা থা মরি ওইবা য়ানচে অমা খূৎয়েক পীনখ্রে হায়না ইটালিদা ফোঙবা পাউচে অমনা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা জ্যানলুকা জাম্ব্রোটানা আই এস এলগী অহুমশুবা সিজন্দা দেল্লি দাইনামোসপু থাক ৱাংবা মফম অমদা পুখৎলকপা ঙমগনি হায়না ফোঙদোকখি।

মমাঙ চহীদা ইন্দিয়ন সুপর লীগতা দেল্লি দাইনামোসনা এফ সি গোৱাগী মখূৎতা সেমী ফাইনেলদা মায়থীদুনা লৈহৌখিবা অদু ইটালিয়ন অসিনা সিজন অসিদদি ক্লব অসিবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎপা ঙমগনি হায়বগী থাজবগা লোয়ননা ক্লব অসিগী কোচ ওইনবা পুশিল্লকখিবনি। দেল্লি দাইনামোসনা হান্নগী ফ্রেঞ্চকী মিদফিল্ডর ফ্লোরেন্ট মালৌদাবু সিজন অসিগীদমক শান্ননবা হান্ননা লৌশিনখ্রবনি।